# অনৌবা সুনামি থোক্লকপা য়াবগী অকিবা লৈবদগী মীয়ামদা সমুদ্র খোংবান্দা লৈতনবা খঙহনখ্রে



জকর্টা, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
ইন্দোনেসিয়াগী অনাক করাকাতাও ভোলকেনোগী অশাওবা ইহন হন্দবগী ফীভম অমা উবা ফংবদগী অনৌবা সুনামি অমসু থোক্লকপা য়াই হায়রদুনা ভোলকেনো অদুগী মনাক্তা সমুদ্র খোংবান্দা লৈরিবা মীওইশিং অৱাংবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা ওথোরিটিশিংনা খঙহনখ্রে।

হৌখিবা থাংজ নুমীৎতা সুমাত্রা অমসুং জভা ঈথৎশিংগী সমুদ্র মপানগী টাউনশিংদা খঙহৌদনা অচৌবা ঈথক-ঈপোমশিং হাজিল্লকখিবদা য়ামদ্রবদা মীওই ২৮১ শিখি অমসুং মীওই ১,০১৬ অশোক-অপন নংখি। মৈগী চীং পোকখায়বদগী সমুদ্র খোংনুংদা লেন্দস্লাইদ থোক্তুনা চাউরবা সুনামি (ঈথক-ঈপোম) হৌহনখিবনি হায়না অখণ্ড-অহৈশিংনা ফোঙদোক্লখি।

নোংমাইজিং নুমীৎতসু অনাক করাকাতাও অমুক হন্না পোকখায়রক্তুনা উৎ মপৈ অমসুং মৈখু কামথোরকখি। চার্টর প্লেন অমদগী লৌখিবা ভিদিওদা সুমাত্রা অমসুং জভাগী মরক্তা সুন্দা ষ্ট্রেটতা মৈগী চীং চাউনা পোকখায়বগী শক্তম উবা ফংখি।

লম্বীদা অতেক-অকায় ময়াম পৈশিন্দুনা লৈবদগী চৎথোক চৎশিন্দা অপনবা পীদুনা মী থিবা অমসুং কনবগী থবক অপনবা ওইখি। তৌইগুম্বসুং ভিক্তিমশিং থিবদা মতেং পাংনবা ফীভম থিনা শোক্লবা মফমশিংদা অরুম্বা পোৎচৈশিং থাংদোক্লবগী ইক্লিপমেন্ট পুশিনখি।

নেসনল দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট এজেন্সীগী স্পোক্সমেন সুতোপো পুর্ৱো নুগ্রোহোনা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা ফোঙদোকখিবদা, মৈগী চীং অনাক করাকাতাও মখা তানা উৎ অমদি মৈখু থাদোকপা লেপ্তবনা অতোপ্পা সুনামি অমসু থোক্লকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈ। মীয়াম্না মতম খরা সমুদ্র মপান্দগী লাপ্না লৈনবা মিটিওরোলোজি, ক্লাইমেটোলোজি অমসুং জিওফিজিকেল এজেন্সীনা রিক্কম্মেন্দ তৌরি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

কুমজা ১৮৮৩ দা মৈগী চীং করাকাতোৱা পোকখায়বদা শেমখিবা কালদেরাদগী কুমজা ১৯২৭ তা থোক্লকখিবা অনাক করাকাতাও হন্দক থা খরা অসিদা এক্তিভিটি হেনগৎলকপদগী মীয়ামদা মৈগী চীং মচিনগী অকোয়বদা লৈতনবা খঙহনখি। নিংথৌকাবা নুমীৎতা সুতোপোনা থাগৎলকখিবা ত্বিটর্শিংদা করিগী সুনামি অসিগী মাঙজৌনবা ৱার্নিং লৈখিদবনো হায়বগী মতাংদা শন্দোক্লা পনখি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, ইন্দোনেসিয়াগী আর্লি ৱার্নিং সিষ্টেম অদু য়ুহা হাবশিং মোনিটর তৌনবা লিংখিবনি। তৌইগুম্বসুং সমুদ্র খোংনুংগী লেন্দস্লাইদশিং অমসুং মৈগী চীং পোকখায়বদা মদুনা মোনিটর তৌরোই। মৈগী চীং পোকখায়বা অমসুং ঈশিং মনুংদা লেন্দস্লাইদ থোকপদগী সুনামি থোকহনবা য়াই।

# জেলদা থন্নিবা রোইটর্সকী রিপোর্টর ২ গী হিয়ারিং পাঙথোকখ্রে





য়াঙ্গোন, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
ওফিসল সিক্রেটস এক্ট খোঙ্গাওনবগী মরালদা চহী ৭ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখ্রবা রোইটর্সকী রিপোর্টর অনীগী আপিল ঙসি ম্যান্মারগী কোর্ট অমনা হিয়ারিং তৌখ্রে।

ম্যান্মারদা দিমোক্রেসি হঞ্জিনহনবগী প্রোগ্রেসতা চিংনবা পোকহনখিবা মরুওইবা কেস অমা য়াঙ্গোনগী কোর্ট অমনা ৱায়েল চথরবা মতুং হৌখিবা সেপ্টেম্বরদা ৱা লোনে ৩২ অমসুং চো সু উ ২৮ জর্নেলিষ্ট অনী অসি মরাল লৈরে হায়না লাউথোকখি। ৱায়েল অদুবু মালেমগী দিপ্লোমেটশিং অমসুং হ্যুমেন রাইটস এদভোকেটশিংনা কন্দম তৌখি।

জর্নেলিষ্টশিংদুগী উকিলশিংনা হৌখিবা নবেম্বরগী অঙনবদা মখোয়নিগী কনভিক্সনগী মায়োক্তা আপিল অমা ফাইল তৌখি। পুলিসনা মখোয়বু ফানবা খুজিল থৌরাং তৌখিবগী ইভিদেন্স লৈ অমসুং মখোয়না ক্রাইম তৌখি হায়বগী প্রুফ ৱাৎলি হায়রদুনা আপিল অদু ফাইল তৌখিবনি।

রিপোর্টরশিং অসুং প্রোসিক্যুসনগী উকিলশিংনা ঙসি কোর্ট অদুদা পুং ১ হেন্না মখোয়গী অর্গ্যুমেন্টশিং পীনরবা মতুংদা হিয়ারিং অদু য়েথোকখি। তৌইগুম্বসুং কোর্ট অদুনা ৱারেপ লৌনবগী তারিখতি পীখিদে।

আপিলগী উকিল এল খুন রিং পাননা জজ ওং নাইংদা লৱার কোর্টকী ৱারেপতু ককথৎলগা পাউমীশিংদু থাদোকপীয়ু হায়না তকশিনখি। উকিল রিং পাননা হায়খি, লৱার কোর্টকী অরানবা ৱারেপনা দিফেন্দেন্টশিংদা মখোয়না অরানবা তৌখিদে হায়বা উৎনবা খঙহনখিবনি। রিপোর্টরশিংদুনা অরোনবা পাউ খোল্লগা মদু ম্যান্মারগী য়েক্লবদা থাখি নৎত্রগা মখোয়দা নেসনল সিক্যুরিটি শোকহনবগী ৱাখল চেনখি হায়বসি প্রোসিক্যুটরশিংনা প্রুভ তৌবা ঙমখিদে। লৈরিবা ইভিদেন্স, কেস ফাইলশিং অমসুং রিফরেন্সশিংগী মতুংইন্না মখোয় মরাল লৈতে হায়না মহাক্না কোর্টতা ফোঙদোকখি।

মখোয় ফাদ্রিঙৈগী মমাঙদা ৱেষ্টর্ন ম্যান্মারগী রখাইন ষ্টেটতা হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতগী হৌখিবা আর্মিগী শাথিরবা কেম্প্যেন অমদা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং বুধিষ্ট সিভিলিয়নশিংনা রোহিঙ্গা মুস্লিম নুপা অমসুং নুপামচা ১০ হাৎখিবগী মতাংদা রোইটর্সনা চথখিবা ইনভেষ্টিগেসন অমদা শরুক য়াখি।

মিলিটরি ওপরেসন অদুদা রোহিঙ্গা ৭৩০,০০০ হেন্না বাংলাদেশতা চেনখি হায়বসি য়ু এনগী এষ্টিমেটশিংনা উৎখি। পুলিসকী মতুংইন্না মীওই অনীদু অরোন-অথুপকী দোক্যুমেন্টশিং পায়রগা পুলিস ত্রাফিক ষ্টোপ অমা লাল্লগা চৎলিঙৈদা ফাখি।

তৌইগুম্বসুং থা নিপানগী হিয়ারিং মনুংদা ৱা লোনে অমসুং চো সু উনা কোর্টতা মখোয়গী ৱারোল পীরদুনা হায়খি মদুদি, য়াঙ্গোনদা হৌখিবা ২০১৭ কী দিসেম্বর ১২ দা রেষ্টুরেন্ট অমদা মীফম চথরিঙৈদা মখোয়না মমাঙদা অমুক্তা উনখিদ্রিবা পুলিসমেন অনীনা মখোয়দা পাউচেনা কোনশিল্লগা য়োমবা চে-চাংশিং পীশিল্লকখি। মদুগী হেক মতুংদা ফিজম শেৎপা পর্সনেল কাঙবুনা মখোয়বু কার অমদা ইনশিনখি অমসুং ফাজিল্লগা থমখি। অদুনা মখোয়বু ত্রাফিক ষ্টোপ অমা লাল্লগা চৎলিঙৈদা ফাখিবনি হায়বা পুলিসকী ৱাফম অদু শেমজিন-শাজিনবনি হায়না উকিল এল খুন রিং পাননা মখা তাখি।

# ন্যুক্লিয়র পেক্ট চৎনদবদগী লান থোক্লকপা য়াই হায়না রসিয়ানা ৱার্নিং তৌরি

মোস্কো, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
কোল্ড ৱার মতমগী ন্যুক্লিয়র পেক্ট অমা চৎনহনখিদবনা মালেমগী লমদম কয়াগী মরক্তা হকথেংননা মুক্নবা অমসুং খুৎলায় লমজেল থোক্লকপা য়াই হায়না রসিয়ানা থাংজ নুমীৎতা চেকশিন্না ফোঙদোকখ্রে। য়ুনাইটেদ নেসন্সতা মোস্কোগী প্রোপোজেল অমা ভোট লৌনবদা রিজেক্ট তৌখিবা মতুংদা রসিয়ানা ৱাফম অসি ফোঙদোখিবনি।

কুমজা ১৯৮৭ গী ইন্টরমিদিয়েট-রেঞ্জ ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস ত্রিটি (আই এন এফ) শৌগৎতুনা মোস্কোনা দ্রাফ্ট রিজোল্যুসন অমা পুথোকখিবনি। মোস্কোনা শৌগৎলিবা মমাঙঙৈগী ত্রিতি অদুনা মোস্কো অমসুং ৱাশিংতনবু অতেনবা অমসুং ময়াই ওইরপ শানবা কংফালগী মিসাইলশিং য়ুরোপতা থম্বা য়াহন্দে। য়ু এনদা ভোট লৌনবদা প্রোপোজেল অদু শৌগৎখিদ্রে হায়না রসিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

মালেমগী সিক্যুরিটি অমসুং ষ্টেবিলিটিগী অর্কিটেকচরদা অনৌবা চৈথেং অমা পীরে। হৌজিক আই এন এফ ত্রিতি ফেল ওইখিবদগী মালেমগী লমদম কয়াদা খুৎলায় লমজেল তান্নরকপা য়াই নৎত্রগা হকথেংননা মুক্লরকপা য়াই হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়খি। মোস্কোনা পেক্ট অদু ঙাক্ত্রে হায়রদুনা ৱাশিংতননা মদুদগী ৱিথদ্রো তৌরগনি হায়না কিহনখিবনি।

রসিয়াগী অনৌবা মিসাইল নোভাটর ৯ এম ৭২৯ (নাতোনা এস এস সী-৮ কৌবা) না ১৯৮৭ কী পেক্ট অদু খোঙ্গাওনৈ হায়রদুনা ৱাশিংতননা ইন্টরমিদিয়েট রেঞ্জ ন্যুক্লিয়র ফোর্সেস ত্রিতি (আই এন এফ) তগী ৱিথদ্রো তৌগনি হায়না কিহনখিবনি। রসিয়ানা হায়রি মদুদি, নোভাতর ৯ এম ৭২৯ গী রেঞ্জ অদু ত্রিতিদুদা পল্লিবশিংগা চান্নদে হায়বদি রসিয়ন মিসাইল অদুনা পেক্ট অদুবু খোঙ্গাওনদে। অনৌবা মিসাইলশিং পুথোক্লিংবদগী মরম অমা হেক্তা পীশিল্লগা ত্রিতি অদু থাদোক্লবা হোৎনৈ হায়না রসিয়ানা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসপু মরাল শিখি।

# নৱাজ সরিফ করপসনগী অনৌবা কনভিক্সনদা জেলগী চৈরাক পীখ্রে



ইস্লামবাদ, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
পাকিস্তানগী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ সরিফ করপসনগা মরী লৈননা অনৌবা কনভিক্সন অমা পীরবা মতুংদা অমুক হন্না জেলগী চৈরাক পীখ্রে।

ইস্লামবাদকী কোর্ট অমনা সরিফপু মশানা লাউথোকচখিবা এসেটসকী ৱাংমদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌরম্বগীদমক্তা চহী তরেৎ জেলদা লৈবগী চৈরাক পীখি। অরানবা তৌখি হায়বা মশানা য়াজদ্রিবা সরিফ হৌখিবা জুলাইদা করপসনগী তোঙানবা কেস অমদা জেলদা থাজিনখি। তৌইগুম্বসুং আপিল থাঙ্গৎপদগী বেল পীখি। মঙোন্দা পীরিবা জেলদা লৈবগী চৈরাক অদু ইস্লামবাদ হায় কোর্টনা থিংজিনখিবনি।

নৱাজ সরিফনা জেলদা লৈরিঙৈ হৌখিবা জুলাইদা পাঙথোকখিবা জেনরেল ইলেক্সন্দা মহাক্কী পার্টি মায়থিবা নংখি। এন্টি-করপসন প্লেটফোর্মদা মীখল থেংনখিবা হান্নগী ক্রিকেটর ইমরান খানগী পাকিস্তান টেহরিক-ঈ-ইনসাফ (পি টি আই) না সিট অয়াম্বা ফংখি।

ঙসি ৱায়েল পীখিবা কোর্ট অদুগী অকোয়বদা করিগুম্বা মখোয়গী লুচিংবা নৱাজ সরিফপু অমুক হন্না জেলদা থাজিল্লবদি মীয়ামগী ঈহৌ হৌরগনি অমসুং পার্লিয়ামেন্টরি বিজিনেসতা অকায়বা পীগনি হায়না হান্নগী রুলিং পার্টি পাকিস্তান মুস্লিম লিগ নৱাজনা কিহনখিবনি। সরিফনা মহাক্কী খ্বাইদগী নৌবা কনভিক্সন অদুগী মায়োক্তা আপিল তৌরবা য়াই। অতোপ্পা কেস অমদদি কোর্টনা মহাক মরাল লৈতে হায়খ্রে।

# চহী ২০০০ হেল্লবা মোংফমশিং থেংনরে

হোহোত, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সি):
মোঙ্গোলিয়াদা চহী ২০০০ হেল্লবা মমাঙঙৈগী মোংফম ফুরা মচা ৯৯ চবাক্না থেংনরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোক্লি। অর্কিওলোজিকেল টিম অমনা মোংফম ফুরাশিংদুগা লোয়ননা হিংফুং ফুল্লগা মী কৎপগী কোম অমা থেংনখি। মখোয়শিংদু ৱারিং ষ্টেটস পেরিয়দ হায়না খঙনবা খৃষ্টকী মমাঙ কুমজা ৪৭৫ তগী ২২১ মরক্তা অমসুং ৱেষ্টন হান দিনাষ্টি (খৃষ্টকী মমাঙ) কুমজা ২০২ দগী এদি ৮ ফাওবগী মতমদা শেম-শাখিবা ঙাক্তনি হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীগী পাউনা হায়রি।

মোংফম অয়াম্বা কু য়াওরম্বা থেংনখিদে। তৌইগুম্বসুং হামেং, যন অমদি হূইগী শরূ পোলাংশিং, থোং-থাকপগী পাত্রাশিং লোয়ননা ৱেষ্টর্ন হান দিনাষ্টিগী ওইবা গভর্ণমেন্টকী সিল ১০ মোংফমগী ষ্ট্রক্টচরশিংদুদগী ফংখি।


Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Science
Bishnupur District, Utlou, Manipur.
(Under the aegis of Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences Society)
Regd. No. 532 of 2017 dated 30th June, 2017
Affiliated to Manipur University
Phone No.9366043467 / 9366092109
email: pddduias@gmail.com

Ref No.PDDUIAS/ADVERTISEMNT /2016/6

ADVERTISEMENT
Utlou, the 24th December,2018

The institute will recruit the following Teaching Post as per UGC/ICAR Service Rule for smooth and speedy functioning of the Institute.

- RR-As per latest ICAR /UGC norm
- Pay Scale-Rs15,600-39,100 with Grade Pay Rs 6000/-

| Sl.No | DISCIPLINE | POSITION |
|---|---|---|
| 1 | Soil Science,Agril.Economics, Agril.Extension/Veterinary Extension/Home Science Extension, Agril.Statistics. | Asst.Prof -2 each |
| 2 | Crop Physiology, Family Resource Management, Food and Nutrition ,Agronomy, Plant Breeding & Genetics, Seed Science & Technology, Horticulture | Asst.Prof -1 each |

Note:
1.Application form can be had from the undersigned by paying Rs 1000/-.
2.Date of commencement of form:27/12/2018
3.Last date of form submission :31/1/2019
4.Interview will be held from:1st February onwards.
5.Short listed candidates will only be called for interview.

Sd/-
Member Secretary/Director
Pandit Deen Dayal Upadhyay Institute of Agricultural Sciences

HL-P/2828/25



INDIAN NAVY

AN OCEAN OF OPPORTUNITIES

Indian Navy invites online applications from unmarried male candidates (who fulfill eligibility conditions as laid down by the Government of India) for enrolment as Sailor for entries given below:-



Scan this QR Code to apply online



| S.No. | Entry | Age | Education Qualification | Pay Structure |
|---|---|---|---|---|
| (i) | Artificer Apprentice (AA) | Born Between 01 Aug 1999 to 31 Jul 2002 (Both dates inclusive) | Must have passed 10+2 with 60% or more marks in aggregate with Maths and Physics mandatory from educational boards recognized by MHRD, Govt of India | After successful completion of training, will be placed in level 3 of Defence pay Matrix (Rs.21,700/- to 69,100/-) & MSP @ RS.5200/- per month plus DA (as applicable) |
| (ii) | Senior Secondary Recruit (SSR) | Born Between 01 Aug 1998 to 31 Jul 2002 (Both dates inclusive) | Must Have passes 10+2 with Maths and Physics mandatory from educational boards recognized by MHRD, Govt of India | |
| (iii) | Matric Recruit (MR) | Born Between 01 Oct 1998 to 30 Sept 2002 (Both dates inclusive) | Must have passed Matriculation examination from educational boards recognized by MHRD, Govt of India | |

Note: Artificer Apprentice will be additionally admissible for 'X' Group Pay @ Rs.6200/- per month plus DA (as applicable).

ONLINE APPLICATION FOR SAILOR'S ENTRIES WILL BE OPEN UNTIL 30 DEC 2018

Note: (i) Identity proof is mandatory for online registration
(ii) Please read the instructions given in the website carefully before submitting your "e – Application"form.
For details visit www.joinindiannavy.gov.in & Employment News dated 15 December 2018.

davp 10701/11/0034/1819